কুমজা ২০০৮গী মার্চ ২৪গী নুমীদাংদা হৈরোক্কী থাবল চোংফমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ৩ লৈখিদবা থৌদোক্কী ১৩শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখিবা

লামায় ৫

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কামু মরিং ভিলেজদা ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা হাও টু য়ুজ এন্দ হাও টু টেক ক্যের এল পি জি গ্যাস হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম

লামায় ৪

পিপলস দিভেলপমেন্ট সোসাইটি অমসুং দেশবনধু ক্লব কছারনা পুন্না শীন্দুনা নুমীৎ ৯নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ক্লাসিকেল সিলাই স্কুল ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম

লামায় ৫

নেসনল হেল্থ মিসন, ষ্টেট টি বি সেল মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা ৪০শুবা ৱর্ল্ড টি বি দেগী থৌরমদা দেজ মেম্বরশিংনা বুকলেটশিং ফোঙখিবা

লামায় ৪

'লৈঙাক অসি মতিক চাদবগী খুদমনি'

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

রিমসতা এম বি বি এস তন্বা সনাতোন অথোকপম লৈখিদবা নুমীৎ ১০নি মপুং ফারক্লবা ফাওবা মীশি অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিন অমত্তা পুথোকপা ঙমদবা হায়বসি পাল্লিবা লৈঙাক অসি মতিক চাদবগী খুদমনি হায়না জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা হোস্পিটাল অমদি ক্লিনিকশিংদা মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোরক্তবা মতমদা মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লকপা থেংনরি। অদুবু ডোক্তর তন্লিবা মহৈরোয় অমা লৈখিদবগী মতাংদা রিমসকী ডোক্তরশিংনা হৌজিক ফাওবা তুমীন্না লৈশিল্লিবসি মরম চাদে।

রিমসকী মহৈরোয়শিং অমদি ইনষ্টিট্যুট অসিনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা ৰাহং অমফাওবা হংদনা তুমীন্না লৈরিবসিগী ৰাহন্থোক করিনো হায়না হংলদুনা চেরোল অসিনা হায়, মীহাৎ অসিগী লংলা-লংজিন পুথোক্লবা খুরাই অহোঙ্গৈ থাংজম নুপী লূপ, খুরাই থাংজম লৈকায় অপূনবা নুপী লূপ, ৰাংখৈ খুনৌ মৈরা পায়বী, সোইবম লৈকায় মৈরা পায়বী, ইষ্টর্ন এদ্যুকেসনল ক্লব, সিটিজন্স ক্লব অমদি ৰাংখৈ খুনৌগী মীওইশিংনা জষ্টিস ফোর সনাতোন অথোকপমগা খুৎশম্নদুনা ৰাকৎ মীফম ফমখি। ৰাকৎ মীফম লোইশিল্লকপদা মীয়াম্না সোইবম লৈকায়গী জেনিমস ক্রোসিংদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা স্লোগান কয়া লাউখি হায়রি।

অথুবা মতমদা মীহাৎপা পুথোক্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা সনাতোনগী পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহনগদবনি, রিমসকী ওথোরিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা তুমীন্না লৈশিনবা য়ানিংদে।

কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১২দগী কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না শিন্দুনা লাক্লিবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল হন্দক চহীগী ওইনসু মার্চ ২৭তগী এপ্রিল অমা ফাওবা 'লীব দ্রগ, লিভ লাইফ' হায়বা থিমদা পাঙথোক্লগনি হায়না কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ ববুলুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, য়াওশঙ মতমদা কংলৈপাক অসিদা য়েংহৈদ্রবা, উহৈদবা অমদি তাহৈদবা থৌদোক কয়া অমা ঐখোয়না লেপ্পা লৈতনা থেংনরি। য়াওশঙগী মতমনা লাকপদা ইচন-ইচে কয়ানা লন্বী-লমজাওদা থোক্তুনা পৈশা মুনবা, থৌরি থৎতুনা অচৎ-অওকশিংদা অয়েৎপা খুদোংথিবা থোকহনবা, ঈশিং হৈজিনবা, চাহৈদবা চিঙ্গাক চাশিন থকচিল্লগা নুপী অঙাঙদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরল্লিবা অসিদগী খরদং ওইরবসু নাথৈরগা তুংগী মীরোল ওইগদৌরিবা মহৈরোয় অমদি কংলৈচাশিংবু অফবা লন্বীদা পুরক্লবগী ৰাখল্লোলদা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি কে এস এনা পাঙথোকপা হৌরকখিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা কংলৈপাক অসিদা মহৈরোয় খুন্নাইগী থৌদাং য়ারিবা কংলৈপাক্কী মহৈরোয় লুপ ৬ এমসু, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ, সুক অমদি এ আই এম এসকী ওইবা ইন্টর ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন ইনভিটেসনেল ফুটবোল ট্রোফি ২০২১গী ঙসি গ্রুপ শেম্বগা লোয়নননা ফিচরসু কে এস এগী ওফিসতা লুপ ৬কী মীহুৎশিং য়াওনা লাউথোকখ্রে। মরম অদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০২১ অসিবু কংলৈচা খুদিংমক্না শরুক য়াবিয়ু অমদি মতেং পাংবিয়ু। লোয়নননা লৈকায়-লৈকায়দসু ইরমদমগী ওইবা মশান্নশিং অমদি অতোপ্পা মালেমগী থাক্তা মীংচৎ পুরকপা য়াবা মশান্না কয়াদা অথোই-অহেন তান্নহনবিয়ু। অচঙবা মহৈরোয় পুথোকসি, মালেমগী মীংচৎ পুরক্লবা শান্নরোই শেল্লসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফৌগাকচাও ইখাইদগী কুম্বী তাবা লম্বী শেমজিন্দবদগী লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে

NO ROAD NO VOTE
NO ROAD NO VOTE
NO ROAD NO VOTE

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল, চীংমী, নেপালি অমদি বেঙ্গোলি য়াওনা কাঙলুপ কয়ানা খুন্দাবা সাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী অমত্তা ঙাইরবা লাইফ লাইন ওইরিবা ফৌগাকচাও ইখাইদগী কুম্বী তাবা সাইতোন ফাওদুনা চৎলিবা কিলোমিটর ১৩ লোম শাংবা লম্বী শেম্বীদনা লৈবগী মায়োক্তা ঙসিদগী সাইতোন এরিয়া হিলস এন্দ ভেল্লি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ওন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্টনা জি পি অসিগী অকোয়বগী লূপশিং অমদি লোকল ক্লবশিংগা লোয়নননা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

লম্বীদা উ-ৰা ফৈজিন্দুনা, টয়ারনচিংবা কয়া মৈ থাদুনা, ফান (বেঞ্চ)নচিংবা থৎচিন্দুনা লম্বী থৎতুনা 'নো রোদ নো ভোট', 'অথুবা মতমদা লম্বী শেম্বীয়ু', 'য়াম্না থুনা লম্বী শেম্বীয়ু সাইতোন টু কুম্বী' হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া শীজিন্নদুনা সাইতোন খুনৌদগী হৌরগা সলানকোঞ্জিল ফাওবদা চঙশিনখিবা লম্বী থিংবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা সাইতোন খুনৌগী হাইখোপাও কিলোং কৌবা চীংমী অমনা ফোঙদোরকখিবদা, লম্বী অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা কয়ারক হন্না শেমজিনবীনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থৌশাদনা লৈশিনববু পেল্লক্তবদগী লম্বী অসি থিংবগী খোঙজং চঙশিনবনি হায়খি।

সাইতোন বজারদা খোঙজং চঙশিনখিবদা শরুক য়াখিবা কুম্বী এ সীগী বি জে পিগী এক্টিভ ৰর্কর ওইবদা নত্তনা সাইতোন এরিয়া হিলস এন্দ ভেল্লি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ওন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্টকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লাইময়ুম মনিমোহোন শর্মনা ফোঙদোকখিবদা, কুম্বী এ সী অসি এম এল এ দিসক্বালিফাই তৌখিবদগী মপি-মপা পান্দ্রবা এ সী অমা ওইনা লৈবদা নত্তনা এ সী অসিগী লম্বী-থোং য়েংশিনবীনবা লৈতবদগী অদুক্কী মতিক ফীভম শোকপা এ সী অমা ওইরে। ফৌগাকচাও ইখাইদগী কুম্বী ফাওনরিবা সাইতোন জি পিগী মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বী অসি মরী লৈনবশিংদা মার্চ ১০ দা মীদিয়াগী খুথাংদা ঙসি ফাওবগী মনুংদা শেমজিনবীনবা খঙহনখ্রবসু করিগুম্বা পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স অমত্তা লাক্তবদগী খোঙজং অসি চঙশিনবা হৌবনি। লম্বী অসি শেমজিনদ্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং লেপ্পা লৈতনা চঙশিনখিগনি হায়খি।

সাইতোন নুপী সমাজ চাউখৎ লূপকী মেম্বর সনাহনবী সলামনা ফোঙদোরকখিবদা, বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা পাল্লকপা চহী ৪ মপুং ফারকপগা লোয়নননা মীয়ামগা লোয়নননা চৎমিন্নবা, লম্বী-থোং মতিক চাবা, খুঙ্গং শেমগৎপা লৈঙাক্লি হায়দুনা সিটিজন্স সেন্ট্রিক গভর্ণান্স হায়দুনা থৌরম তৌখিবা লৈঙাক অসি কুম্বী এ সীগী ওইরিবা ফীভম অসিদা মতৌ করম্না সিটিজন্স সেন্ট্রিক ওইরিবনো হায়না হংলদুনা মীয়ামগী অৰাবা য়েংবীদুনা অথুবদা ফৌগাকচাও ইখাইদগী কুম্বী তাবা সাইতোন মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বী অসি অথুবদা শেমজিনবীনবা চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ফোরেষ্টকী পোত্থোক স্মগ্লিং তৌব্রা হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লি : অৰাংবৌ ন্যুমাই

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচ এন এস) :

মরী লৈনবা চে অমদি পার্মিট য়াওদনা ফোরেষ্টকী উ অমদি অতৈ পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা লোয়নননা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা লোগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৰাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী সঞ্জেনথোংদা লৈবা ওফিস অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা বেনিফিসরিশিংদা ইকুইটমেন্ট য়েন্থোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টর অৰাংবৌ ন্যুমাইনা মখা তানা হায়, ফোরেষ্টকী পোত্থোক স্মগ্লিং তৌব্রা হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লি। উমং ৰামংগী পোত্থোক স্মগ্লিং তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চপ চানা অকনবা মীৎয়েং থল্লি হায়বা অসি কাওবিগনু। টিম্বর বিজিনেস তৌবা অমদি ট্রান্সপোর্টেসন তৌবদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং থল্লি। কনাগুম্বশিংনা তৌনিং তৌনিংবা মওংদা তৌরে হায়না মীদিয়া অমদি পাউ চেশিংদা ফোঙদোক্লিবা ৰাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মেইন পৱার ৰাৎলবসু দিপার্টমেন্ট অসিনা তৌবা য়াবা থবক পূম্নমক অয়ুক নুমিদাং খাক্তনা কন্না হোৎনরি। চহী অসিদা ফোরেষ্টকী তোঙান তোঙানবা প্রদক্টশিং পুথোক পুশিন তৌরম্বা ট্রক গাড়ী কয়া, উ লোদ কয়া ফাগৎপা লৈখ্রে।

মীয়াম্নসু অসিগুম্বা লোনা য়াদবা লোন্না পুথোক পুশিন তৌরিবা ফোরেষ্ট প্রদক্টশিং করিগুম্বা উবা থেংনরবদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা পাউ পীবিনবা মহাক্না আপীল তৌখি।

উমং য়োকখৎপনা মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বগা লোয়নননা মসিদা শা-উচেক কয়াসু শৈদাংদুনা হিংলিবনি। মরম অদুনা মরম চাদনা উমংগী পোত্থোকশিং য়ান্থৎপা অমদি লোন্না পুথোক পুশিন তৌবিগনু হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ফোরেষ্টকী এম ঐচ খান আই এ এস, কে অঙ্গামি আই এফ এস, পি সী সী এফ এন্দ ঐচ দি এফ এফ, এ কে জোসি আই এফ এস, পি সী সী এফ (ৱাইল্ড লাইফ) অমদি ডা. লোখোপুনি পি সী সী এফ এন্দ ষ্টেট মিসন দিরেক্টর এন বি এমনচিংবসু শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রিন্টর ৪৬, কম্প্যুটর সেট ২৯, দ্রোন ৪, বোলেরো ২ নচিংবা য়াওনা ইকুইটমেন্ট কয়া য়াওনা বেনিফিসরিশিংদা খুৎশিন্নখি।

'কোসেমগী চয়েৎনবা পুন্নমক কোকহল্লে'

ইম্ফাল, মার্চ ২৪: কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)গী চয়েৎনবা পুন্নমক কোকহল্লে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি, পিপলস ৰার গ্রুপকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মহৈরোয়শিংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা লোয়শঙ অমা ওইরিবা কোসেমদা হৌখিবা মতম খরদগী চয়েৎনবা ৰাফমশিং থোক্তুনা মীয়ামদা লৈতাদবা অমা থোকহনখিবা পুন্নমক পিপলস ৰার গ্রুপকী মীওই অহুম্না শাবা টিম অমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা চয়েৎনবা পুন্নমক ময়েক শেংনা খঙবা ঙল্লে। লোয়শঙ অসিদা লৈতাদবা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনরিবা মীওই পুন্নমক মশা-মশানা তৌখিবা অরানবশিং অদু চুমথোকচনবগী তাঞ্জা অমা লৌনবা খঙহল্লবসু অহোইনদুম মশাগী মরাল কুপশিন্নবা হোৎনরকপগী থৌওং তরাইনা লৌদে। কোসেমগী থৌমী খুদিংমক্তগী শেল খোল্লগা মশানা মশাবু ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসননি হায়জবা অমদি পাউমীগী মায়খুম উপ্পা খরদা পীখিবগী মতাংদা পিপলস ৰার গ্রুপনা অচুম-অরান পুন্নমক থিগৎলগা ৰারোইশিন অমা পুরকপা ঙল্লে হায়না চেরোলসিনা মখা তারি।

'অথুবা মতমগী মনুংদা লম্বী শেম্বা লোইশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

প্রধান মন্ত্রিগ্রাম সড়ক যোজনা (পি এম জি এস ৱাই)গী শেন্থুং মখাদা কুমজা ২০১৭-১৮দা ৱার্ক ওর্দর থোক্তুনা শেম্বা হৌরিবা সগাং শুগনু রোদ টু ৱাঙু মখা লম্বী অসি অথুবা মতমগী মনুংদা শেম্বা লোইশিনবীনবা ৰাফম থল্লক্লি।

ৰাফম অসি ঙসি পাউমীশিং য়াওনা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎকা মরী লৈননা শন্দংখোং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী এদভাইজর তখেল্লম্বম ইবেয়াই লৈমনা ফোঙদোরকখিবনি। ইবেয়াই লৈমনা মখা তানা হায়খিবদা কিলোমিটর ৪ রোম শাংবা লম্বী অসি বোরায়াংবীদগী শন্দোংখোং থোং ফাওবা কিলোমিটর ২ রোম শেম্বগী থবক শুবা হৌরল্লগা থামুক্কী মমাঙদগী লেপখ্রে। থবক শুবা লেপখিবা অসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা লম্বী অসিদা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিনদা অদুক্কী মতিক অৰাবা মায়োক্লহল্লে।

নোং তারগা লৈখোম থোকপা, নুংশা শারগনা উফুল থোক্তুনা মী অমদি গাড়ীনচিংবা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি দিপার্টমেন্টনা য়েংশিল্লগা লম্বী শেম্বা অসি লোইশিনবীয়ু হায়নসু ইবেয়াই লৈমনা মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা শন্দোংখোং সোসল ৱেলফ্যের ক্লবকী সেক্রেটরি কে সশিকান্তনা হায়, লম্বী অসি শেম্বা মতমদা দি পি আর অমদি ৱার্ক ওর্দরদা পল্লিবা ৰাফমশিং অদু ঙাক্না চপ চানা শেমগদবনি। লম্বীগা থংননা লৈরিবা লমশিং মীয়াম্না লৈঙাক্কী মথৌ তাবা পাক চাউবা অদু য়েংলগা কথোক্কনি। মরম অসিনা দি পি আর অমদি ৱার্ক ওর্দরদা য়াওরিবা লম্বীগী পাক-চাউবা অদুদা অহোংবা থমদনা ক্বালিটি লৈনা থবক শুবদা লমদম অসিদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি মৈরা পায়বীশিংনা মপুং ফানা সপোর্ট তৌগনি। করিগুম্বা দি পি আর অমদি ৱার্ক ওর্দরগী মতুংইন্না থবক শুদ্রবদি আর টি আইনচিংবা থাদুনা লোগী মতেং লৌরগা থবক শুবা থিংগনি হায়নসু সশিকান্তনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা এম এস এফকী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী ১৮শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল ২০২১-২২ টর্মগী ওইনা নৌনা থৌ পুরগদবা ওফিস বিয়াররশিং অমদি এগজিক্যুটিভ কাউন্সীলগী খল্লবা মেম্বরশিংগী মিং ঙসি ইলেক্সন কম্মিটিগী রিটর্নিং ওফিসর ওইনাম অস্নিকুমারনা লাউথোকখ্রে। খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা এম এস এফকী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি।

১৮শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল এম এস এফ ২০২১-২২গী নৌনা থৌ পুননবা মীখলদা মায় পাক্লবশিং অদুদি, প্রসিদেন্ট ওইনাম খাঙেম্বম বিদ্যাসাগর, ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা মাইবম জুলেস, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা হিজম রোসন, জোইন্ট সেক্রেটরিশিং ওইনা যুম্নাম জেমস, চবুংবম সুনিলকান্ত, ৰাংখেম দিকেন, মাইবম রোসনি, সনবম থোইথোইবা, মককময়ুম দৰদ খান, অয়েকপম জিম্বা মৈতৈ, মাইবম সিতলজিৎ অমসুং তেকচম রোজিৎনি। ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা নিঙোম্বম প্রেম, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিশিং ওইনা খুমন্থেম মোতিলাল, লোইতোংবম বিকিরাজ অমসুং নিংথৌজম নিশিকাননি। ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ওইনা খুমন্থেম সুন্দর মৈতৈ, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিশিং ওইনা খাঙেম্বম তাঞ্জানিয়া মৈতৈ, নরেন্দ্র হৈস্নাম অমসুং হালি লাইশ্রমনি। পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা মিলেম বিজু, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিশিং ওইনা মুতুম নোংদম্বা অমসুং খাঙেম্বম মনিখোম্বা, এক্সটর্নেল এফ্যের্স সেক্রেটরি ওইনা এন ৰারিস অক্রম, ট্রেজরর ওইনা ওইনাম রবি, দ্রগ এফ্যের্স সেক্রেটরি ওইনা ওইনাম প্রেমদাস, গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি ওইনা খুন্দ্রাকপম হেনজসুনা, ৱিমেন্স এফ্যের্স সেক্রেটরি ওইনা মককময়ুম অঞ্জুম অরা গুলিষ্টান, এসিষ্টেন্ট ৱিমেন্স এফ্যের্স সেক্রেটরিশিং ওইনা সোরোখাইবম প্রিয়ানিতা, ধনমঞ্জুরি য়াংলেম অমসুং নাওরেম রোমোলানি।

কলচরেল এফ্যের্স সেক্রেটরি ওইনা ক্ষেত্রিময়ুম লনলৈমা, এসিষ্টেন্ট কলচরেল এফ্যের্স সেক্রেটরি ওইনা তেনসুবম কংলৈহেনবী অমসুং তখেল্লম্বম রেজিনা, ইনভাইরনমেন্ট ইকোলোজি এফ্যের্স সেক্রেটরি ওইনা থিঙোম মিরান্দা, ওদিটর জেনরেল ওইনা পি ঐচ সালিৱন অমসুং ওফিস সেক্রেটরি ওইনা অতোম তম্ফায়াইওইলেম্বা মঙাং খল্লে হায়নসু ১৮শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীল এম এস এফ ২০২১-২২গী ইলেক্সন কম্মিটিগী আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কামু মরিং ভিলেজদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

মফম খুদিংমক্তা লিশাং-শিংনা চথদুনা লাকপা এৱ্যের্নেসকী শরুক অমা ওইনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা কামু মরিং ভিলেজ দা ভিলেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা 'হাও টু য়ুজ এন্দ হাও টু টেক ক্যের এল পি জি গ্যাস' হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা কামু মরিং ভিলেজগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

যুমথোঙ খুদিংদা শীজিন্নরিবা চাকথোং গ্যাসশিংদগী থোক্লক্কদবা মৈহৌ-লাংপোক অমদি মতৌ করম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা ওল গ্যাস ক্যের (এ জি সী) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা এ জি সী মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ষ্টেট মেনেজর এস ঐচ জয়প্রকাশ, এদভাইজর এস ঐচ তোম্বা, ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি দল্লিয়ু সোনামনি অমদি কামু মরিং ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন, সেক্রেটরি অমদি মৈরা পায়বীগী মীহুৎশিং অমসুং খুনগী নুপীশিংনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রম অদুগী শরুক অমা ওইনা এল পি জি গ্যাসশিং নীংথিনা লূনা-নান্না শীজিন্নবা অমদি মৈহৌ-লাংপোক থোক্তনবগী মতাংদা মচা খায়না ৰা ঙাংলদুনা এ জি সীগী এক্সপার্ট ওইনা লাকখিবা জয়প্রকাশনা মতৌ করম্না শেম শাগদগে হায়বগী মতাংদসু খুলগী মীয়ামদা শুগায়না তাকপী তম্বীখি হায়রি।

মণিপুরদসু ৪০শুবা ৱর্ল্ড টি বি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

মালেমগী অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু নেসনল হেল্থ মিসন, ষ্টেট টি বি সেল মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা ৪০শুবা ৱর্ল্ড টি বি দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা হেল্থকী এদভাইজর টু সী এম ডা. সাপম রঞ্জননা হায়খি, টি বি হায়রিবা লায়না অসি ঐখোয়না ইরায় লায়না লৌবা তৌরোইদবনি। লায়না অসিনা মীওইবদা অচৌবা চৈথেং কয়া পীদুনা লাক্লিবনি। লায়না অসিবু থেংনননবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই। মীয়াম্নসু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লনবা করি করি তৌগদগে হায়বদু খঙমিন্নবা চঙই। ষ্টেট অসিগী মীওই কয়া অমসু লায়না অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবনি। ঐখোয় খুদিংমক্না চপ মান্নবা ফিরেপ অমা লৌমিন্নদুনা মাঙলোমদা চঙশিল্লবদি লায়না অসি কুমজা ২০২৫দা লায়না অসি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা হেল্থকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাংনা হায়খি, ট্যুবর্কুলোসিস (টিবি) হায়রিবা লায়না অসিনা মতম কয়াগী মমাঙদগী মালেম অসিদা চৈথেং কয়া পীদুনা লাক্লি। লায়না অসি নারবসু হৌজিক্তি মতম চানা ট্রিটমেন্ট তৌথোক্তুনা হিদাক লাংথক চারবদি ফহনবা ঙল্লে। মালেমগী ওইনা টি বি লায়না অসি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা মপুং ফানা মুথৎননবা পান্দম থল্লি। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনদি হায়রিবা মতম অসিদগী চহী ৫ ঙনখৎনা কুমজা ২০২৫ ফাওবদা মুথৎননবা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক নেসনল টি বি ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম (এন টি ঈ পি)গী মখাদা কেস কয়া থিদোক্তুনা লায়না অসি চপ চানা থেংনননবা থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

লায়না অসি থেংনননবা হোৎনবদা ঐখোয়না তুমীন্না ঙাইদুনা লৈথোকপা তৌদে। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লায়না অসিগা লোয়নদুনা লৈরিবা মীওইশিং থিদোকপসু মথৌ তাই। লায়না অসিবু মুথৎননবগীদমক পায়খৎলিবা নেসনল টিবি ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম (এন টি ঈ পি) অসি মায় পাক্লনবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিং, সিভিল সোসাইটি অমদি এন জি ওশিংসু অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা চঙই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্কী অমদি মরী লৈনবা এম এল এগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

ককচিং দিষ্ট্রিক্কী মনুং চন্না লৈবা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৯গী মফমশিংদা লৈরিবা মরুওইবা ইন্টর ভিলেজ রোদশিং শেম্বীদবনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মরম অসিনা লম্বীশিং অসি শেম্বীবগা লোয়নননা পি ঐচ সী ককচিং খুনৌগী অৰাৎপশিং মেনখৎপীননবা মফম অদুগী খুঞ্জা খরনা লৈঙাক্কী অমদি মরী লৈনবা এম এল এগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ৱার্দ অসিগী খুঞ্জা খরগা পাউমী কাঙবু অমগা পুন্না য়েংশিনমিন্নরবা তুংদা পেন্দবা ৰাফম কয়াসু ফোঙদোরকখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা থেংনখিবী ময়াংলম্বম বিনি কৌবী নুপী অমনা হায়খি, ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৯গী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং নীংথিনা শেম্বীদবনা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মীয়াম্না থেংনরিবা অৰাবশিং অসি কোকহন্ননবা লৈঙাক্না অমদি এম এল এনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। মফম অসিগী লম্বীশিং অসি শেম্বীদবনা নোংজু থাগী মতমদনা লৈখোম থোকপা অদুগা নোং চুদবা মতমদনা উফুল হৌদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মীয়াম্না খুদেংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবনি। ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মনুং চন্না লৈরিবা অতোপ্পা ৱার্দশিংদি এম এল এনা হোৎনবীদুনা লৈরক-খুল্লকশিং লোইনা কোয়লাস থাবীখ্রে। ৱার্দ নম্বর ৯গী লম্বীশিং অসিদি মহৈরোয়শিংনা কোলেজ চৎপগী মপুং ওইবা লম্বী, প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর, ককচিং খুনৌদা লায়েংবা লাক্লবগী মরুওইবা লম্বী খুদিংমক ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা লম্বী ঙাক্তনি। মতম শাংনা লম্বীশিং অসি শেম্বীদদুনা লৈরকপনা লম্বীগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। গাড়ী খরা হেক থৌখিবা মতমদা মদুদগী থোরকপা উফুলনা লৈবা ঙম্নদ্রে। লম্বীগী মতায়দা চৎচরিবা মীওইশিংদি মনাতোন মেন্দুনা ৰানা খাংনরে। লোকল এম এল এ অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা মীয়ামগী অৰাবা অসি উবীদুনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বীদুনা মীয়ামগী অৰাবা কোক্লবা শীনবীয়ু।

পি ঐচ সী, ককচিং খুনৌ অসিসু মতম অমদা পুং ২৪ মথৌ তৌরম্মী। অদুবু ডোক্তর অমদি ষ্টাফকী অৰাৎপা লৈরকপদগী মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদদুনা লৈরক্লি। লোকল এম এল এ মশামক লাকতুনা মথৌ তাবা ডোক্তর অমদি ষ্টাফশিং থারক্লবা হোৎনবীগনি হায়না ফোঙদোকপীরমখি। অদুবু ঙসিদি হোস্পিটাল অসিগী লৈফম থোকপা ডোক্তর অমদি ষ্টাফ মতিক চানা লৈতবনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তনা লৈরকপা কুইরে। ইম্ফালদা চৎপগী খুদোংচাবা লৈজদবা মীয়ামদদি অৰাবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিসু লৈঙাক অসিনা কোকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না ময়াংলম্বম বিনিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱার্দ অদুগী কাউন্সীল্লর খুমুকচম রাধামনিগা উনবদসু মীয়াম্না ৰাকৎলক্লিবশিং অচুম্বনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখি। মহাক্না হায়খি, ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মনুংদা লম্বী শেম্বীদবা অসি মহাক্কী ৱার্দ অসিখক্তা ঙাইরবনি। মহাক্কী ৱার্দ অসিগী মনুংদা ককচিং খুনৌ কোলেজ, পি ঐচ সী অমসুং পুলিসকী আউটপোষ্ট লৈরিবনি। কোলেজ চৎপা, হোস্পিটাল চৎপা নৎত্রগা পুলিস আউটপোষ্টতা মথৌ তাবগী চৎপদা মহাক্কী ৱার্দতা লৈরিবা মীয়ামখক নত্তনা ককচিং খুনৌ অমসুং খুঙ্গনরিবশিংগী খুঞ্জাশিং লোইনা চৎনরিবনি। লম্বীশিং অসি শেম্বীনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা চে ইদুনা শেম্বীনবা হায়জবা কয়া লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপীরকপা লৈত্রি। ককচিং খুনৌ প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর অসিসু ডোক্তর অমদি ষ্টাফ ৱাৎপনা মরম ওইরগা ২৪x৭ সর্ভিস তৌদ্রে। মসিগী মতাংদসু মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙদা চে থাদুনা হায়জখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপদি লৈত্রি।

টর্ম ৫রক থংন-থংননা মায় পাক্তুনা এম এল এ ওইবীরবা শুগনু এ সীগী এম এল এনা মীয়ামগী অৰাবা কয়া অসি খঙবীরগা লম্বী ফত্তবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা অসি অথুবা মতমদা কোকহনবীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি। ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৯গী মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী অৰাবশিং অসি কোকহনবীয়ু হায়নসু লোকল এম এল এ অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিংসু চিংশিল্লক্লি।

সেমিনার পাঙথোক্লগনি, লাইরিক ফোঙলগনি

ইম্ফাল, মার্চ২৪ (ঐচএনএস):

দি কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা এল সানোই কোলেজ, নম্বোলগা খুৎশম্নদুনা মার্চ ২৫দা মণিপুরী খোরিরোলগী তোঙান-তোঙানবা মশক হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোক্লগনি হায়না দি কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেমিনার অসি মালেমগী লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চহী ১ হেন্না কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিদা ক্লাস তৌবা, য়াওবগী খুদোংচাবা ফংখিদবদু য়েংলগা, মরুওইবা বি এদা মণিপুরী লৌদুনা তন্লিবা মহৈরোয়শিংগী অৰাৎপা খরদং ওইরবসু মেনখৎনবা হায়দুনা দি কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা পরিং নাইনা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা পাঙথোকচরক্লিবা সেমিনারশিংগী অহুন্নকশুবা ওইনা পাঙথোকচগদবনি।

থৌরম অসিদা দি কলচরেল ফোরমগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা অথোইবা লেংবীরকপা, মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অখন্নবা লেংবীরকপা অমসুং নম্বোল এল সানোই কোলেজকী প্রিন্সিপাল লাইশ্রম নলিনিনা থৌরম মপু ওইদুনা শরুক য়াগনি।

জি পি ৱিমেন কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ৱাইখোম রোমেশনা অরিবা মৈতৈ লাইনিংদা মীৎয়েং অমা, নম্বোল সানোই কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. সলাম শান্তিবালানা মণিপুরী দ্রামাদা অবসর্দ অমসুং রিয়েলিটিগী অপূনবা মশক (বস ষ্টোপ অমসুং লাঙ্গোইনাই), নম্বোল এল সানোই কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. সাইখোম রবিনা মণিপুরী ৱারীমচাদা শীজিন্নরিবা লোল অমসুং খুৎফোঙদোক্তা মীৎয়েং অমা (ইন্থোকপা অমসুং নোংথক খোংনাং) অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিসার্চ স্কোলার সৌবাম ধনেশ্বরিনা মৈতৈশিংগী মহৌশাগী মশান্না- মুক্নাদা মীৎয়েং অমা হায়বা হীরমশিংদা চে পাথোকপীগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা হায়, লাক্লিবা মার্চ ২৭তা ফোরম অসিনা শীন্দুনা মশাগী চহী ৯১ শুজিল্লক্লবা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী খুমন্থেম প্রকাশনা ইবা মশাগী পুন্সি ৱারীগী লাইরিক ঐগী পুন্সিদা ফোঙবগী থৌরম অমা অইবা অসিগী সগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা য়ুমদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নাওরেম খগেন্দ্রনা অথোইবা লেংবীরকপা, দি কলচরেল ফোরমগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু, মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি। অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।